# জপানগী এম্পরর নারুহিটোনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌদোক্কদৌরি : রিপোর্ট



টোকিও, জুলাই ১৪ (এজেন্সী): জপানগী এম্পরর নারুহিটোনা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি হায়না মফম অদুগী পাউচেগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

জপানদা লৈবা পাউগী মমিং লৈরবা এজেন্সী অমা ওইরিবা কিয়োদোগী রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়েথোক্লগা থা অসিগী ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮-ফাওবা পাঙথোক্লনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা হোৎনরিবা অসিদা জপানগী এম্পরর নারুহিটোনা ওলিম্পিক গেমস অসি হৌদোকপগী মায়খুম হাংদোক্কনি হায়বগী রিপোর্ট ফোঙদোরক্লি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা টোকিও সিটি অমদি নক্লবা সিটিশিংদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মশিংদা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নবগী কুম্ঘৈ ওইরিবা ৩২শুবা এদিসনগী ওলিম্পিক গেমস অসিগী ইভেন্টশিংদা জপানগী এম্পারিয়লগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়াওবা য়ারোইদবগী মমি তারি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অসি কোভিদ-১৯গী ওইরিবা ফীভম অসিনা মাংদা থমদুনা ওলিম্পিক গেমস অসিদা মীরমদগী লাক্কদবা ভাবোক অমত্তা চঙহল্লোইদবগী ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবা মতুং জপান লৈবাক অদুগী ভাবোকশিংসু অকক্লবা ইভেন্টখরখক নংতনা ইভেন্ট অয়াম্বদা মীৎয়েং তাবা য়াহল্লোইদৌরি।

জপানগী এম্পরিয়ল হাউসহোল্ড এজেন্সীগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা য়াসুহিকো নিশিমুরানা ফোঙদোরকপদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদু জপানগী এম্পরর নারুহিটোনা শরুক য়াবগী তাঞ্জা অমদি লৈরি। অদুবু মখা তাবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নফমদা মহাক্কী মায়কৈদগী শরুক য়াবগী তাঞ্জা লৈরোই হায়না থল্লক্লি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেক টোকিওদা লাক্লুনা কাঙলোনগী মতুংইনবা নুমীৎ হুম্নিগী আইসোলেসন তৌরবা মতুং ওলিম্পিক গেমস অসি ভাবোকমশীং য়ামদ্রবসু মপূং ফানা পাঙথোক্লবা শিন-লাংলি।

# মেসিনা বর্সেলোনাগা চহী ৫গী ওইবা খূৎয়েক পীনগদৌরি



মাদ্রিদ, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

মালেমগী ফুটবোলগী লম্দা মীয়াম্না মশক খঙনরবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী প্রোফেসনেল ফুটবোল করিয়র হৌরকপদগী লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাকখিবা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনাগা মখা তাবা চহী ৫গী ওইবা য়ানচে অমা খূৎয়েক পীনরগনি হায়না মফম অদুগী মমিং লৈরবা পাউচে লা ভান গ্বার্দিয়া পাউচে অমদি মালেমগী ওইনা শান্নবগী হীরমদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী অচৌবা কাখল অমা থল্লিবা ঈ এস পি এনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাদা লিওনেল মেসিনা চহী নৌরিঙৈদগী হৌরগা প্রোফেসনেল ফুটবোল করিয়র অদু শেমগৎতুনা ক্লব অদুগীদমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী মমিং লৈরবা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্ট কয়াগী টাইটল লৌবা ঙম্বতা নংতনা স্পেনগী ওইবা লা লিগা ফুটবোল লীগকী টাইটল কয়াসু লৌবা ঙমখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী জুন থাদা মমাংদা লিওনেল মেসিনা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকা য়ানখিবা কন্ট্রেক্ট অদুগী মতম লোইখ্রবনি। মদুগী মমাংদা মেসিনা বর্সেলোনাদগী তোক্লগা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লবশিংদা শান্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবা অদু নাথৈরগা ক্লব অদুগী মায়কৈদগী মহাকপু মখা তানা লৈহন্নবগী খোঙথাংশিং পায়খৎলকপদা চহী ৫গী অনৌবা য়ানবা অমা পুরক্তুনা খূৎয়েক পীনরগনি হায়বগী রিপোর্ট অদু থল্লকপনি।

হৌখিবা চয়োলদা লা লিগাগী মকোক ওইরিবা জেভিয়র টেভাসনা ফোঙদোরকপদা, বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১.১৮ ফুগৎকদবা লৈরিবা অদুনা মরম ওইরগা অনৌবা শান্নরোয় লৌবগী মহুৎতা হান্নগী শান্নরোয় লিওনেল মেসি অদুম্মক শান্নহনবগী লম্বেল অদু উৎখিবনি। মদুগী মতুংইন্না ক্লব অদুনসু খোঙথাং অদু পায়খৎলকপনি।

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা টোকিও পাংগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা ওফিসল ঈশৈ লোঞ্চ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নৌনা স্পোর্টস মিনিষ্টরগী থৌপুরবা অনুরাগ থাকুরনা ঙসি ভর্চ্যুএল ওইবা মীফম অমদা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুগী ওইবা ওফিসল ঈশৈ লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঈশৈ অসি ইন্দিয়াগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপগী ওইবা অচৌবা মমি তাহন্দুনা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ঈশৈগী কম্পোজর এ আর রহমননা শেমদুনা 'হিন্দুষ্টানি ৱে' হায়বা ৱাহৈনা মাং থাবা ঈশৈ অদু নহা ওইরিবা শৈশকপা অনান্যা বির্লানা শক্তুনা শান্নরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপনি।

ঙসি ন্যু দেল্লীদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা শেমখিবা 'হিন্দুষ্টানি ৱে' হায়বা ঈশৈ অদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা মতেং ওইননবা স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুর য়াওনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস নিসিথ প্রমানিক, ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ্র বট্রা অমসুং এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মেহটা য়াওনা ওফিসল ওইবা ঈশৈ অদু লোঞ্চ তৌখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা থৱায় হকচাং য়াওনা লৈবাক অসিগীদমক্তা শান্নদুনা মিংচৎ উরোং পুরক্লবা হোৎনবা অসিদা ঈশৈ ওইনা এ আর রহমন অমসুং অনান্যা বির্লাগী মায়কৈদগী পুথোরকপা খোঙথাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ঙরাং ভর্চ্যুএল মীফম অমদা ৱারী শানদুনা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীদুনা মকোক ওইননবা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখ্রবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী ওলিম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অনীগী পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্বা শান্নরোয়শিং টোকিওদা থাগদৌরি

সিদনি/ৱেলিংটন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

থা অসিগী ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা জপাননা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দ লৈবাক অনীগী ওলিম্পিক কম্মিটিনা মখোয়-মখোয়গী ওলিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা শান্নরোয়শিং শরুক য়াহন্দুনা ওলিম্পিক গেমস অসিদা মেদল লৌননবগী পান্দম থমখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী ইভেন্টশিংদা পূন্না এথলিট ৪৮৮ থাদুনা লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক পুৱারীদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট ওইগদৌরি। অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগা যূমলোন্নরিবা লৈবাক ন্যু জিলেন্দনসু লৈবাক অদুগী মমাংদা লৈরক্লবা ওলিম্পিক পুৱারীদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুগী মশীং য়েংলুরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা পূন্না মেম্বর ২১১না তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ২২দা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা লৈবাক অদুগী ওইনসু খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অদু ওইরি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা পীবা অনৌবা কাঙলোনগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী লৈরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা করিগুম্বা এথলিট অমনা শান্নরিঙৈ মনুংদা পোজিটিভ ওইরক্লবা মতমদা মহুৎ শিন্ননবা ষ্টেন্দবাই এথলিটশিং হাপ্পা য়াবগী খূদোংচাবা পীরকপনা ওষ্ট্রেলিয়ানা মমাংদা শান্নরোয় ৪৭২গী অয়াবা পীখ্রবা মতুং অহেনবা শান্নরোয় ১৬ হাপচিল্লগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী গেমস অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মশীং অদু পূন্না ৪৮৮ ওইখিবনি।

মরুওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিনা অহেনবা এথলিট ১৬ হাপচিল্লকপা অসি ইক্কেষ্টরিয়ন, ফুটবোল, হোক্কী, জুদো অমসুং রগবি সেভেন্সকী ইভেন্টশিংনি। নীংশিংবা য়াবদি, ওষ্ট্রেলিয়ানা কুমজা ২০০৪ এথেন্স ওলিম্পিক গেমসতা শান্নরোয় ৪৮২ শরুক য়াখিবা অদুদগী হন্দক্না মশীং ৬ হেনগৎলগা ৪৮৮ ওইরিবনি।

ন্যু জিলেন্দগী ওইনা লৈবাক অদুগী এথলিটশিংনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ২২দা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা পূন্না শান্নরোয় ২১১না লৈবাক অদুগী মহুৎ শিন্দুনা হান্না লৈরম্বা ওলিম্পিক শরুক য়াবগী রেকোর্দ অদু নৌনা মশীং হেনগৎখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল দিসিপ্লিনগী ওইনা কারাটে অমসুং সর্ফিং দিসিপ্লিন য়াওশিল্লকপা অদুদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগীসু হায়রিবা দিসিপ্লিন অনীদা অহেনবা শান্নরোয়শিং শরুক য়াবগী খূদোংচাবা লৈখি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১ শুরবা ওলিম্পিক মেদল ফংলক্তবগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙমগনি : ধনরাজ পিলে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী হোক্কী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা শান্নরোয় ধনরাজ পিলেনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মনপ্রিট সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১ শুরবা ইন্দিয়াগী হোক্কী পুৱারীদা ওলিম্পিককী মেদল ফংলকখিদবা অদুগী রেকোর্দ থুগায়দুনা মেদল ফংবগী অচৌবা খূদোংচাবা লৈ হায়না থমখ্রে।

ধনরাজ পিলেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা হান্না লৈরম্বা হোক্কী মশান্না অদুদগী অহেনবা থাক্তা লাক্তুনা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাকপা অমদি শান্নবগী থাক অদু ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা টিম অসিবু লুচিংলিবা মনপ্রিট সিংহ অমদি অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীদা থমখিবা মেদল ফংবগী চহী ৪১ হেল্লবা ফাওবা মেদল ফংদনা লাকপা অদু হন্দক্তি শুংশোয় শোয়দনা রেকোর্দ থুগায়বা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লক্লি।

ধনরাজ পিলেনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, কুমজা ২০১৬ অমসুং কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্টতা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবা অমদি কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৭তা ৱর্ল্ড লীগ ফাইনেলসতা মকোক থোংবা টিমশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমদুনা মাংজিল থাবা ঙমখিবা অদুগী পাঙ্গল অদু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতসু ওন্থোকপা ঙমদুনা শুংশোয় শোয়দনা মেদল ফংবা ঙম্বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়খি।

ধনরাজ পিলে মশামক্না খূৎয়েক পীদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্কালিফাই ওইদুনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ অমদি নুপীগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন রানি রামপালদা চাওনা মায় পাক্লনবা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

ধনরাজ পিলে মশামক বেঙ্গলুরুদা বেজ তৌদুনা লৈরবসু কোভিদ-১৯গী ওইবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না সিটি অদুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ট্রেনিং চথরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমগী মনাক্তা চৎতুনা থাগৎ ৱাহৈ অমদি থৌনী পীবা ঙমদবগী অৱাৎপা লৈরবসু মশামক্কী সোসল মীদিয়া অমদি ঈ-মেলগী খূথাংদা ট্রেনিং চথরিবা নুপাগী হোক্কী টিম অমদি নুপীগী হোক্কী টিমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মায়োক্লগদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীদুনা মেদল ফংবা ওইরসনু হায়না মহাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

# ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপতা লৈগদবা অনৌবা পোইন্ট সিষ্টম অদু আই সী সীনা ফোঙদোরকখ্রে

দুবাই, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মায়কৈদগী ক্রিকেট মশান্নগী যূম্ফম ওইরিবা টেষ্ট ক্রিকেটকী ওইনা থমখিবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী অহৌবা সিজন লোইখ্রবা মতুং ওগষ্ট থাদা নৌনা হৌগদৌরিবা অসিগীদমক্তা হান্না লৈরম্বা পোইন্ট ফংবগী সিষ্টম অদু নৌনা লাউথোকখ্রে।

আই সী সীগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ওইবা মেটচশিংদা মায় পাকপা টিম অদুনা পোইন্ট ১২ ফংগদৌরি। করিগুম্বা টেষ্ট মেটচ অমা দ্রো চৎলবা মতমদা টিম অনীমক পোইন্ট ৪/৪ ফংগনি। অদুগা মেটচ অমা টাই তাবা মতমদা টিম অনীমক পোইন্ট ৬/৬ ফংগদৌরি।

আই সী সীগী অনৌবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী পোইন্ট স্কোর তৌবগী চৎন-কাঙলোন অসি চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজদগী চৎনবা হৌগদৌরি।

আই সী সীগী ওইনা মমাংদা লৈখিবা পোইন্ট ফংবগী চৎন-কাঙলোন অদু করিগুম্বা লৈবাক অনীনা ক্রিকেট টেষ্টকী সেরিজ অমা শান্নবা মতমদা সেরিজ মায় পাকপা টিম অদুনা পূন্না পোইন্ট ১২০ ফংগদবনি। অদুগা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজ নৎত্রবা অতোপ্পা মেটচ মশীং হন্থনা শান্নবা সেরিসকী ওইনদি মায় পাকপা টিম অদুনা পোইন্ট ৬০ ফংবগী কাঙলোন লৈরি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ওইনা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌনরকপা মতমদা ফংগদৌরিবা অনৌবা পোইন্ট সিষ্টম অসি অহানবা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী টেষ্ট সেরিজ অসিনা ওইগদৌরি।

আই সী সীগী এক্টিং চীফ এগজিক্যুটিভ ওইরিবা জিওফ এলার্দিসনা ফোঙদোরকপদা, ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ওইবা অনৌবা পোইন্ট সিষ্টম অসিনা হান্না লৈরম্বা চয়েৎনবা পোইন্ট স্কোরিং সিষ্টম অদুদগী হেন্না লায়হন্দুনা মায় পাকপা টিমদা হেন্না খূদোংচাবা পীবা অমদি শান্নগদবা টিম অনীনা মপূং ফানা শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা মায় পাকপা ঙম্নদবা লাকপা মতমদা পীরিবা পোইন্ট মশীং অদুদগী টাই তাবা মতমদা পীবা স্কোরিং পোইন্টশিং অদুনা হেনগৎলিবা অসি শান্নরোয়শিংনা নুমীৎ ৫নি চুপ্পা শান্নবা টেষ্ট মেটচ অদুদা থৱায় হকচাং য়াওবদগীনি হায়খি।

# য়ুরো মিলিয়ন ১১.৫দা এ এস রোমানা রুই পেট্রিসিও খূৎয়েক পীখ্রে



রোম, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

ইটালিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা এ এস রোমানা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সকী গোলকিপর রুই পেট্রিসিওবু য়ুরো মিলিয়ন ১১.৫দা মখা তাবা সিজনদা ক্লব অদুগী গোলকিপর অমা ওইনা শান্ননবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে।

রুই পেট্রিসিওনা শান্নরম্বা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স অমদি এ এস রোমা ক্লব অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা য়ুরো মিলিয়ন ১১.৫ (য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৩.৫৪)দা মহাক মখা তাবা সিজনদা সেরি এগী ক্লব অমা ওইরিবা এ এস রোমাদা শান্নগদৌরি।

পোর্টুগল মচা রুই পেট্রিসিওনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্সতা চহী ৩ শান্নরকপদা মহাক্না গোলকিপর ওইনা শরুক য়ারকপদা মেটচ ৩৭ পাঞ্জল অমত্তা চলহন্দবগী রেকোর্দ থমখি।

# অনীশুবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়দ চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩দগী হৌরগনি হায়না ফিদেনা ফোঙদোরক্লি

চেন্নাই, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লাকখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন (ফিদে)গী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়দ পাঙথোকখ্রবা মতুং অনীশুবা চেছ ওলিম্পিয়দ অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়দ অদু হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা জোইন্ট ৱিন্নর ওইখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা ফেদরেসন অসিগী ওইবা মেম্বর লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমা লাকপা মরম্না হান্না লৈরম্বা ফোর্মেট অদুদগী শেমদোক-শেমজিন খরা তৌরগা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩দগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা অনীরকশুবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়দ কম্পিটিসন অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

চেছ মশান্নগী ওইনা ওনলাইনদা পাঙথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিং য়েংনরুরবা মতুং চেছ ওলিম্পিয়দতা লৈবাক ১৬৩ দগী শান্নরোয় ১৫০০না শরুক য়াদুনা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা চেছ টুর্নামেন্ট অমা ওইরক্লি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা চেছ মশান্নগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকপা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিং হকথেংননা শান্নরোয়শিংনা টেবল অমদা ফম্মিন্নরগা লম্বা তৌনবগী খূদোংচাবা অদু লৈখিদ্রবা মতুং মশান্না অসিবু হেন্না মখা তানা চথরক্লুবগীদমক্তা ওনলাইনদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলোনগী মতুংইন্না শান্নরোয় মশীং হেনগৎহল্লগা লম্বা তৌনবদগী অফবা শান্নরোয় কয়া অমা হান্না ফুমদুনা লৈরম্বা অদু থোরকপা ঙমখি। অনীশুবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়দ অসি মরুওইনা চাইনাগী শেনঝেন সিটি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী স্পোন্সরশিপ পীখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুদা চঙগদবা শেনফম পূম্নমক মতেং পাংগদৌরি।

EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/6970/28/6-18/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 170**

**Cara, Bogdan (1376) - Herkt, Julia (1015)**
**DEM U12 Ueberlingen (10), 2000.06.09**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.c3 d5 | 3.exd5 Qxd5 |
| 4.d4 cxd4 | 5.cxd4 Nc6 | 6.Nf3 Bg4 |
| 7.Be3 Nf6 | 8.Nc3 Qd7 | 9.Be2 g6 |
| 10.d5 Bxf3 | 11.gxf3 a6 | 12.dxc6 Qxc6 |
| 13.Qc2 b5 | 14.O-O-O Rc8 | 15.Rd2 Bg7 |
| 16.Kb1 O-O | 17.a3 Ng4 | 18.Na2 Qe6 |
| 19.Qe4 Qxe4+ | 20.fxe4 Nxe3 | 21.fxe3 Bh6 |
| 22.Rd3 Rc7 | 23.Rc1 Rfc8 | 24.Rxc7 Rxc7 |
| 25.Nc3 e6 | 26.Kc2 Kg7 | 27.Kd2 Kf6 |
| 28.Nd1 Ke5 | 29.Nf2... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 169 Ans. :**

26. ...Rf6+The black rook clears the way for Black's bishop to the square f8. 27.Bxf6 Bf8+ 28.Bg7 Bxg7#Bishop and knight mate Double bishop mate

26. ...Rf6+ 27.Bxf6 Bf8+ 28.Bg7 Bxg7#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com